থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# লাইগী লোন, মীনা খঙফম থোক্তবরা?

ঈমায় চোল্লবা ঈপাক্কুম, থম্মোয় অসে পাথোকহনবীরো নুংশিবনা/নুংশিবনা মঙাল ওইদুনা থক্তোক্লিবা থাওমৈ অদু ওইজনবা/লৈয়েংসিদা থাদবীয়ু খোয়থুম্নবা খোইহী ঈরীক অমত্তং/নগুণ অদু শক্লা-শক্লা থকচীনজবা ঙম্নবা, খৌবুম থনবা হু-ঈরীক'...। নীংশিংবীবা ঙম্বরা, কনানা শোল্লম্বা লাইশোন্নো? কৈদৌঙৈ পোকখি, কৈদৌঙৈ শিখি খঙদবা, ১১শুবা চহী চাদা হিংলম্বা মুনি (লাইনীংবা) অমনা শোল্লম্মী থাজনবা লাইশোন অমনি, মাগী তুং ইনবশিংনা শোনজবা। মহাক্না হায়- 'মী ওইনা পোল্লবা খুদিংমক্তা থোক্লিবসি থৌদোক অহুমখক্তনি'। পোকপা অমদি শিবা-অনীসিমদি খঙই পূম্নমক্না, লায়র-ইনাকখুনবা-অচৌ-পিশক খুদিংমক্তা থোক্ল'গদবা। অহুমশুবদুদি করিনো? কনানসু খন্থনদে। খঙলবসু কাউথোক্লে। খ্বাইদই মরু ওইরিবদি মদুনি। পোকপা অমসুং শিবা-অনীগী মরক্তা থোক্লিবা 'হিংবা' হায়বা থৌদোক্তুনি। মদুবু কৌই পুন্সি। পুন্সি করম্না লেনবগে? তাইবঙদা করম' হিংলম্বগে? মহাক্না হায়...'পুন্সিগী লাইনীং হায়বদুনি নুংশিবা... নুংশিবদুনি অচুম্বা'...। লাই নীংবা হায়বসি নুংঙাই-য়াইফ থিবা নত্তে, নিগদবা নত্তে মঙোন্দগী।

নীংশিংবীবা ঙম্লবরা - মহাক অদু কনানো? যোগি গোরখনাঠ! কৃষ্ণ, বুদ্ধ, মহাবীরগুম -লাইনীং লম্বী তাক্লমদে। অহৌবদা পঞ্জখিবা ৰাহৈ পরেং খরা অসি - তুমিন' মমীৎ উইশিন্দুনা ফম্লগা খোঞ্জেল থোক্তা মথন্ত লোন্না শোঞ্জব'সিনি মাগী নোংমই শোয়দবা 'প্রার্থনা'/'প্রেয়র'/'লাইশোন'। পন্দিট/স্কোলার/পাষ্টরশিংনা থিবা লাইশোন-গীতা/বাইবল/কোরান'দগী লৌথোক্লকপা লাইগী পাউজেল - মহাক্না সুকয়া য়াখিদে।

করিগীনো? নহা ওইরিঙৈ খঙখিদে। গীতা-কোরান-বাইবল, মালেমদা মমিং চৎলবা, চহী চা কয়াদগী মপা লৈত্রবা লাইরিক্কুম ঈরাৎলকই মীওইবনা। নীংজবা লাই অদুনা মচিনমক্না হায়খিবা ৰাহৈ কয়া লৈ পরেং লেংবগুম লেংশিন্দুনা থল্লম্বনি - থাজরকই মখোয়না। ৰাহৈশিংদু চীনফা পুবা, মচিন্দা বরং-বরং লৎপা লৈত' থিবা ঙম্বা, মহাক অদুবু মিংথোল্লকই পন্দিট-পাষ্টর-ইমাম! লাইগী মনাক নক্নবা, ঈশ্বর মানা থৌজাল্লবা অদুগুম্না খন্নরকই। মকোক নোন্নৈ মীয়াম্না। মীওই কাঙলূপ খরদদি খোঙজুম-লাইজ পীথল্লকই, হায় - চরন অমৃত থক্লিবনি, মপুই থৌজাল ফংলবনি।

গোরখনাঠ-নৈনরগা, মাগী ৰারী পারগা ঙসিতমক খঙলকই - মখোয়না নমথাক তৌরম্লিবা ঐখোয়দতা নৎলমদে। মশানা মশামক্তসু অচৌবা নমথাক তৌরিবনি। তেনৰানা 'হরে কৃষ্ণ, হরে রাম' শোনবদুগা করি খেন্নে? থম্মোয়দই থোক্লকপা নত্তবা চিনবান্দতা লৈতেং ওইবা। অদুগুম্বা লাইশোনদি শোল্লুবগী কান্নদে। মরোন থোকপা তেনৰা'না 'রাম-কৃষ্ণ'ই মীংখৈদু লিশীংলক লেপ্তুনা শোল্ল'সু কৃষ্ণ-মাবু খঙবদি কৈদৌঙৈদা ওইথোক্লোই। গীতা, কোরান, বাইবলদা ইরম্লিবা ৰাহৈশিং চুম্না চিনফা পুরগা লীশিংলক হন্না, হঞ্জিন হঞ্জিন থিরগা কৃষ্ণ, অল্লাহ, জিসসকী মনাক নকপা ওইথোক্লোই।

নোংমা, মরুপ অমই ময়ূমদা চাক্লেন অমা চামিন্নবদা মাগী পিক্লিবা মচা, ক্লাস থ্রি-ফোরগী থাক্তা লৈরমগদবা অঙাংদু ঐখোয়গী নাক্তা কৌশিল্লগা, মহাক্না তম্লিবা 'কোরান' দুগী ৰাহৈ পরেং তরা-কুন



বরং-বরং থিহল্লি। হায়বা ৰারবা অরাবিক লোনগী ৰাহৈশিংদু, অঙাং মতিক নত্তনা, উচ্চারন শেংনা হায়রকপদুদা ঐসু ঙক্লুই ঙাইহাক্তি। মচাগী মতৌ অদুদা পেঞ্জরবা মপাগী মায়থোং, লোৎশিনজবা ঙমখিদে। মপানা হায়, 'অয়ুক, নুংথিল, নুমিদাং কোরানগী ৰাহৈ চিনফা পুনবা, চুম্না হায়বা ঙম্নবা হোৎনবা নত্তনা অতৈ অমা হোৎনদে'...। কোরানসিবু হৌবদগী লোইবফাও চীনফা পুবা ঙম্লবা মঙোন্দদি তাইবঙগী অতোপ্পা লৌশিং পূম্নমক মীৎনা কূপ্পদা খঙ'ঙমগনি - থাজবসিননি ইস্লাম লাইনীংবু থাজবা মখোয় ময়াম অমত্তা ওইবা লীপুন'দুনা পুল্লিবা। মহাক্না হায়রিবা, থিরিবা ৰাহৈশিং, মদুগীদমক মপা ওইবদুনা চাউথোকচরিবা, 'করি হায়রিবনো' অঙাংদুদা হংলুবা, 'ঐহাক খঙদে' মঙক হাইদুনা হায়রক্কনি।

হিন্দুগী পন্দিটশিংনসু, অতেনবা শৈরেং (গীত, ঈশৈ) চাতরেৎ য়াওরিবা গীতাগী 'স্লোক' শিংদু হৌবদগী লোইবফাও, ৰাহন্থোক অমদি শন্দোক-ৰারোলগা লোয়ননা লৎপা লৈত' হায়বা ঙম্বা মহাক্তবু কৌই 'তাইবঙগী গ্যান (লৌশিং) পূম্নমক শুনা লৈরবা, লৌশিংব' (ব্রাহ্মন)। মহাক্না হায়বা তারগা ঐগী অৰাবা কোক্কনি কৃষ্ণগী মনাক্তা পুগনি - থাজহল্লি ঐখোয়বু। চিঞ্জাক অমদি অফবা চিঞ্জাক্কী মরমদা ৰারী শারগা 'অরাম্বা খৌরাংবা' কোক্কদবা। লাল্লবরা? পন্দিটশিংনা পুরগা চৎলিবা, থোংদ্রিবা চিঞ্জাক মচলদুনি - চাবা য়াদ্রিবা অহিংবা চিঞ্জাক। শ্বায়গী ৰাদি তোকখ্রসি, ইন্দিয়া পূম্বসিদবু সংস্কৃট লোন খঙবা অমদি লোনবা ঙম্বা মীগী মীকোক কয়া লৈরমগদগে? মীনা খঙদবা লোন অমা শীজিন্নদুনা লাই অমদি লাইনীং লম্বী থিবদা মীচম মীয়াম্বু অমম্বা মরক্তা চমম্লনা লৈনবা থৌশিল অমা চহী কয়াগী মমাঙদগী শেম্লকই - পন্দিট, ইমাম, পাষ্টরশিংনা। অচুম্বনা করম্বনো? অরানবনা করম্বনো? চমম্লনা লৈহল্লি। ঈশ্বরমক্না হায়রম্বা মানবা, মীনা খঙদবা লোন অমদা ৰাহৈ কয়া হায়জিন্দুনা থাজহল্লি... ৰাহৈশিংদু লাই মশামক্না মাগী মীহুৎ (দুট/প্রোফেট) অমা থারক্তুনা, ঐখোয়দা অচুম্বা লম্বী তাক্লনবা হায়রম্বনি। অপঙবা মীয়াম্না ঙসিসু খল্লি ... 'মানা হায়রিবসি লাইমক্না হায়রম্বা, অচুম্বা অশেঙবা ৰাহৈ শোয়দনা ওইরমগনি, অদুননি ঐখোয়না খঙবা ঙমদ্রিবা'!

অদুবু, ঐখোয়না খঙগদবদি - অচুম্বা হায়বসিদি মতম পূম্নমক্তা অচম্বা ৰাহৈ ওইগদবনি, অরানবা/ওইদবা ৰা হায়বসিনা মতম পূম্বা কমপ্লেক্স ওই। লানবরা?

লৌশিং পুক্কে

# কোভিদ-১৯না মতম

## শাংনা লংস শোকহনবা য়াই : ষ্টদি

কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিং হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌরবা মতুং য়ামদ্রবদা থা অহুম ফাওবদি লংস শোক্লগা লৈবা সাইন্টিষ্টশিংনা ষ্টদি অমদা থেংনখ্রে, অদুগা পেসেন্ট খরগী ওইনদি হায়রিবা মতম অসিদগী হেন্না মতম শাংনা খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লে হায়রি।

য়ুনাইটেদ কিংদমগী য়ুনিভর্সিটি ওফ শিফিল্ড অমসুং ওক্সফর্দকী রিসার্ছরশিংগী মতুংইন্না অসুম্না লংসতা শোক্লিবা অসি রুতিন সী তি স্কেনশিং অমদি ক্লিনিকেল টেষ্টশিং তৌবদা খঙবা ঙমদে, মসিনা মরম ওইরগা পেসেন্টশিংদা মখোয়গী লংসতা অশোকপা নৎত্রগা অকায়বা করিমত্তা লৈতে হায়না খঙহল্লি হায়রি।

রেদিওলোজি কৌবা জর্নেল অমদা পব্লিস তৌরকখিবা ষ্টদি অসিনা কোভিদ-১৯ নারগা হোস্পিটালাইজদি তৌদবা অদুবু মতম শাংনা নীংশা হোনবা ঙমদবা/ৰাবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লুবা পেসেন্টশিংসু মতম শাংনা লংসতা অমাঙ অতা থোক্তুনা লৈবগী থৌওং অসি লৈরম্বা য়াই হায়নসু উৎলি।

অদুমওইনমক হায়রিবা ৰাফম অসি কনফার্ম তৌনবগীদমক হেন্না অচৌবা ষ্টদি অমা চথ্খবগী মথৌদি তারি হায়বা ৰাফম ষ্টদি অদুবু চথ্খরিবা রিসার্ছরশিং অদুনা ফোঙদোক্লি।

মখোয়না হায়রি মদুদি, অতোপ্পা ক্লিনিকেল মেজরমেন্টশিং তৌবদা নের্মেল ওইরদুনা হোস্পিটালদগী হনখ্রবা মতুং থা অহুম হেনবফাওবদি হাইপরপোলারাইজ জেনন এম আর আই (XeMRI) তৌদুনা য়েংবদা কোভিদ-১৯ পেসেন্ট খরগী লংসতা এবনোর্মেলিটিশিং লৈবা থেংনখি, অদুগা পেসেন্ট খরদদি হায়রিবা অশোকপা অসি থা মাপলফাওবা লৈবা য়াওই হায়রি।


'ষ্টদি অসিগী ফাইন্দিংশিং অসি য়াম্না ইন্টরেষ্টিং ওই' হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ শিফিল্ডগী প্রোফেসর জিম ৱাইল্ডনা ফোঙদোকখি।

কোভিদ-১৯না লংসতা মতম শাংনা পীবা ইফেক্টশিংনা মরম ওইরগা ওক্সিজেন লৌশিনবগী থৌওং পাঙথোকপা ঙমদ্রবা লংসকী পার্টশিং অদু সী টি স্কেনশিংদা নোর্মেল ওইনা উরবফাওবদা 129Xe MRI না চপ চানা পিনপোইন্ট তৌদুনা উৎলি।

ষ্টদি অসিগী প্রিন্সিপাল ইনভেষ্টিগেটর ওইরিবা ওক্সফর্দকী প্রোফেসর ফর্গস গ্লিসননা হায়খিবদা, কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট কয়া অমা সী টি স্কেনশিং তৌবদা মখোয়গী লংস অদু মথৌ নীংথিনা তৌরি হায়না উৎলবফাওবদা হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌরবা মতুং থা কয়া নীংশা হোনবা ঙমদবগী খুদোংচাদবা অদুম্মক মায়োক্লদুনা লৈ।

ঐখোয়না হাইপরপোলারাইজ জেনন এম আর আই শীজিন্নদুনা চথ্খবা ফোলো-অপ স্কেনশিংদা চুম্নগী স্কেনশিংদা উবা ঙমদবা এবনোর্মেলিটিশিং তশেংনা লৈরম্বা থেংনখি। হায়রিবা এবনোর্মেলিটিশিং অদুনা ওক্সিজেনবু ঈগী ঈচেলদা চঙখিগদবদগী থিংই।

ষ্টদি অসিনা হৌজিক অমুক হোস্পিটালাইজ তৌখিদবা অদুবু লোং




কোভিদ ক্লিনিকশিংদা এটেন্দ তৌরিবা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংদসু টেষ্টিংগী থবক চথ্খবা হৌরে হায়রি।

ঐখোয়না হৌজিক হায়নরিবা অসি ষ্টদি অসিগী হৌগৎলকপা মতমগী ফাইন্দিংশিংখক্তগী মরমদা ওইরগসু নীংশা হোনবা ৰাবগী খুদোংচাদবা থেংনবা হোস্পিটালাইজ তৌদবা পেসেন্টশিংগী XeMRI স্কেনশিংদসু মখোয়গী লংসতা চপ মান্নবা এবনোর্মেলিটিশিং লৈরম্বা য়াই। ঐখোয়গী লোং কোভিদ নারিবা লোকেল পেসেন্টশিংগী চাদা ৭০ দি নীংশা হোনবা ৰাবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লে হায়নসু গ্লিসননা ফোঙদোক্লি।

অসুম্না লংসতা মতম শাংনা শোক্লবা লৈবগী থৌওং অসি কয়া য়াম্না কম্মন ওইবগে হায়বদি মসি ফগৎলকপদা মতম কয়াম কুইনা চঙগদগে হায়বা আইদেন্টিফাই তৌনবগীদমক হেন্না অচৌবা ষ্টদি অমা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না মখা তারি।

পনবা য়াবদি লৌশিং পুক্কেগী কলম অসিদা মতম খরগী মমাঙদা 'কোভিদ পেসেন্ট অহুমগী মনুংদা অমদি সিম্পটোমশিং মতম শাংনা মায়োক্লদুনা লৈবা য়াই' হায়না আর্টিকল অমসু ফোঙখিবা লৈখ্রে। আর্টিকল অদুদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওইশিংগী চাদা ৩২দি টেষ্ট তৌখিবা মতুং চয়োল ৬ ফাওবদা কোভিদকী সিম্পটোমশিং য়ামদ্রবদা অমত্তং ওইরবসু মায়োক্লদুনা লৈবা থেংনখিবগী ষ্টদি রিপোর্ট য়াওখি। ষ্টদি অদুগী মতুংইন্না খ্বাইদগী কম্মন ওইনা থেংনগনবা লাইওংশিংদি য়াম্না চোকথবা, নীংশা হোনবা ৰাবা, অমদি মনম নৎত্রগা মহাও খঙদবা হায়রিবশিং অসিনি হায়রি।

আর্টিকল অদুদা কোভিদ-১৯ য়াম্না কন্দবা মওংদা নাবা মীওইশিংদি অয়াম্বনা সিম্পটোম উৎপা হৌরকপদগী চয়োল ২ দগী ৩ ফাওবগী মনুংদা ফগৎলকই।

অদুমওইনমক, মীওই কয়া অমদি লোং কোভিদ হায়না খঙনবা চয়োল কয়ামরুম নৎত্রগা থা কয়া কয়ামরুম হকচাংদা য়াম্না ৰাহনবা সিম্পটোমশিং মায়োক্লদুনা লৈবগী রিপোর্ট লৈরি হায়বা ৰাফমসু য়াওখি।

## কম্যুনিটি ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্লনবগী পান্দমদা চঙশিল্লকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতসু মাস কম্যুনিটি ভেক্সিনেসনগী থবক ঙসিদগী মফম কয়াদা হৌদোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফ্যের ওফিসর, থৌবাল অমসুং এ সী/এ সীগী এম এল এশিংগা খুৎশম্নরগা ঙসি চথ্খিবা অহানবা ফেজগী মাস ভেক্সিনেসন হৌদোকখিবা মফমশিং অদুদি কিয়াম সিফাই বাবু বজার অমসুং য়াইরিপোক কেক্রুদনি। ঙসি হৌদোকপা নুমীৎ অসিদা সলুংফম অমসুং অথোকপম ময়াই লৈকায় খাঙেম্বম লম্পাক্তসু ভেক্সিন কাপখি হায়রি।

ৱাংখেম এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা বাবু বজার অমদি কেক্রু লাইমাং কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ভেক্সিনেসনগী থৌরম অদু এ সী অসিগী এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা হকথেংননা শরুক য়াদুনা হৌদোকখি। কেক্রু খুলগী ভেক্সিনেসন হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি লেফ্যের ওফিসর, থৌবাল ডা. কে এস ঐচ মেমচা, পি ঐচ সী খোইরোমগী এম ও ইন-চার্জ ডা. এম দি ইকবালসু শরুক য়াখি।

কম্যুনিটি ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসি লাক্লিবা জুন ৭ ফাওবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম ১৪ দা চথ্খগনি হায়রি।

### হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

### পেক্কেটতা হাল্লিবা পোৎ-চৈশিং লৌদ্রিঙৈ মাংজৌননা চ্যেক তৌবগী হৈনবী থম্মিন্নরসি



কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা দুকানগী ষ্টোক্তা কুইনা পৈশিন্দুনা থমজিল্লুরবা মতুংদা য়োল্লিবা পেক্কেটকী পোৎ-চৈশিংদা এক্সপ্যারি দেট কা-হেন্না নকশিল্লবা, ওইরবা অমদি করিগুম্বদা শাবগী মতম ফাওবা থাদবা কয়া থেংনরি। ঐখোয়না পোৎ-চৈ লৈবা মতমদা মমল খক্তা থিদনা পোৎ অদুগী শারিবা ক্বালিটি, মতম অমদি এক্সপ্যারি দেটতা কুপ্না য়েংদুনা লৈবগী হৈনবী অমা থম্বা মথৌ তারক্লি। এক্সপ্যারি দেট হেল্লবা হায়বসি পোৎশক অদুবু চাশিনবদা অফবা নত্তে হায়বসি মীয়াম্নসু হেন্না খঙনরবা ৰাফমনি। পোৎ-চৈ ফংলক্লরোই হায়দুনা তাঙখৎত্রিঙৈদা পোৎ কয়া লৈশিনবদা এক্সপ্যারি দেট চ্যেক তৌবসু কাউবীগনু। পোৎকী মমল হোঙলিঙৈদা য়াম্না লৈশিলহৌরে হায়দুনা থম্বা মতমদা এক্সপ্যারি ওইখ্রবদি তোংজবদি লায়রদনা হকচাংদা হেন্না মাঙজবনা হেল্লক্কনি হায়বসি কাউরোইসি। লোয়ননা থেংনরিবা খুদোংচাদবা অসি ফহনসি হায়রগদি পোৎ-চৈ লৈবীরিবা ঐখোয়না নীংথিনা ৰাখল তানা খন্থরবা মতুং পোৎ লৈরবদি ফগনি। অদুগা ইবা-পাবা থোক্ত্রবা মীওইশিংনা পোৎ লৈবদা পোৎ য়োল্লিবশিংনা খঙলরোই মতাগুম হায়জিনবা তৌবীগনু।

❒ প্রেম কৈশাম, য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা

### মণিপুর অসি ওর্গনাইজেসন কয়ানা চেঙুম শৌবা লমদম অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই



মণিপুর অসি ওর্গনাইজেসন কয়ানা চেঙুম শৌবা লমদমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। হৌজিক-হৌজিক কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসিনা খম থেংনা ৰানরবা মতম অসিদা মীয়ামগীদমক কখোক্তুনা থবক তৌরিবা ওর্গনাইজেসনশিংদি খূজোক খরখক্তনি। মীয়াম্না ৰারবা তাঞ্জা অসিদা মীৎ উদবগুম য়েংদুনা, না পংবগুম তাশিন্নদা লৈথোকপদি লানগনি। ওর্গনাইজেসন খূদিংমক্না মাগী-মাগী খুল, লৈকাইদা মতেং পাংবীবা চুমগনি। য়াওশঙ স্পোর্টস, দুর্গা পুজা, পাম্থৈবী লাৎপা অমদি লাই হরাউবনচিংবদা থৰায় য়াওবগুম লায়না লাইচৎ অসি লাম্থেংনবদা থবক তৌহৌবনা চুমগনি নৎত্রবদি লৈকাই, খুলগী মীয়াম্না ৰারৌখিদুনা থবক থৌরম খূদিংদা মতেং পাংলকখিদবসু য়াই। হৌজিক লৈবাক মীয়াম্না ওর্গনাইজেসন খরদি চাক চাননবা লৈবা ওর্গনাইজেসননি হায়না লৈকাই-লৈকাইদা চিবোন-চিবোন ঙাংনরক্লিবা অসিদা য়াওদনবা লমদম অসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংগী থবক তৌবীরিবা মীওইশিংনা অসিগুম্বা ৰাফমশিং অসি থোক্তনবগীদমক ফিজি কেল্লি, মোরেল্লি অমদি ফাইনান্সিএল্লিগী অঙম্বা মতেং পাংহৌবনা চুম্লোইদ্রা হায়বা ৰাফম থমজনিংই।

❒ এন কুঞ্জেশ্বর, তেরা খোংশাংবী অৱাং লৈকাই

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

**তাং ২৮।০৫।২০২১ ইং, ইরাই; অয়ুক্কী পুং ৯.৩৭ ফাওবা কালেনগী ১৭নি পাল্লি, মতুং ১৮নি পানগনি।**

মেষ: হেন্নদা অশা চাওরুনু লম খুদিংদা মাই পাক্কনি। অরিবা থবক পাংগনি, পল্লম্বা শেলসু লাকপা য়াবা লৈরে অমদি থৌনা লৈবনা মফম কনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃষ: তপথবা, চিন য়াংদবা, য়েৎতবা অমদি শকখংদবা লোইনদবনা য়াইফবা ওইগদবা নুমিৎনি। থেংলপ্না মীয়াম্না চানবীবগী নুংঙাইবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন: নাপল অমদি ঈরাং পুবা থাদোকউ। নিংবদি শোইদনা থুংগনি অমদি লেংদবা লন ফংবগী নুংঙাইবা লৈ। নাইতোম থৌ পাংবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৰারৌনরসু লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেং।

কর্কট: হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি, অনৌবা অশা তৌবা য়াগনি অমদি লেপ্পা লৈতনা হোৎনবগী মহৈ লাক্কনি। খন্থদবনা কাইনবগী নুংঙাইতবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

সিংহ: শিন্দোকপা হৈবনা লন/মীংচৎ তানবদি মাই পাক্কনি। য়েৎনরম্বা কোক্কনি, লৌশিং অনৌবা ফংবৈ নুংঙাইজৈ অমদি ঙাং-শকপা হৈশিংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপাদি চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কন্যা: লন অমদি মীয়ামগী মতেং ফংনবা হোৎনবা মাই পাক্কনি। ৰানোম থৌনোম্বসু কান্নগনি। অদুবু অচুম্বা থবক তৌনিংদবা ফাওই-ফত্তবা মী লোইনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

তুলা: তপথৌ অমদি হকচাংগী খল্লগা থৌয়াম পুগনু। ফংবা য়াবা পনবৈ নুংঙাইতবা অমদি পাইরক্কী লৌশিং শোল্লি। নিংবদি পাংগনি-লাইবক ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৰারৌনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেং।

বৃশ্চিক: য়েক্লবদৈ চেকশিল্লু। অশাওবনা মাংহঞ্জবা অমদি শোক পনবা য়াবা লৈ। লন ফংবৈ নুংঙাই, অফা-অপুনদি কোক্কনি অমদি মরুপ ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ /চিনি অঙাংবা।

ধনু: হরাওবা, মীচং হেনগৎপা অমদি লাইবক ফবা নুমিৎনি। অরাপ্পদগী মতেং ফংগনি অমদি ওইজবা ফংগনি। লৌশিং ফুদোকপদি ৰাই-চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মকর: অনম তানবা অমদি মীৰা লৌবনা চিংনবা অমদি অচানবা কাইনবগী নুংঙাইতবা ফাওগনি। থবক থানাদদি মাই পাক্কনি অমদি ননাই চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কুম্বা: ঙসিসু অশাওবা অমদি নাপল থাদোক্লবদি নিংবা থুংগনি। ৰাফংনবনা মাংজবা লৈগনি অমদি লৌশিং চাওবা মীগী ৰা তারগা থৌ পাংবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৰাখল খরদি নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ /চিনি অঙাংবা।

মিন: থবক থানাদা মাই পাক্কনি অমদি থিবা হুম্বা কনবনা কনানসু লাকচবা ঙমলোই। মরুপকী মতেং অমদি অফবা মীংচৎ ফংজৌ হাইবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৰারী

# কার্ফিয়ু, ৯:০০ এ এম

## থৱান






*Thawan is a poet and musician based in Imphal.*